পার্লিয়ামেন্ট মুখৎপগী খোঙথাং ওপোজিসন্না শিংনগদৌরি

কলম্বো, নবেম্বর ১১ (এজেন্সি): শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা লৈবাক অদুগী পার্লিয়ামেন্ট মুখৎখিবা কন্সষ্টিট্যুসনগী চৎন-পথাপকী মায়োক্তনি হায়রদুনা প্রসিদেন্টগী খোঙথাং অদু মথং চয়োলগী অঙনবদা সুপ্রীম কোর্টতা শিংননবা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা ঙরাং ৰারেপ লৌখ্রে।

প্রসিদেন্টনা মফম লৌথোকখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর রনিল ৰিক্রেমেসিঙ্ঘেগী যুনাইটেদ নেসনল পার্টি (যু এন পি) অমসুং মসিগা চুংশিন্নবা পার্টিশিংনা প্রসিদেন্টগী খোঙথাং অদু শিংনরগনি হায়না পার্টিশিং অদুগী মেম্বরশিংনা ফোঙদোকখি। যু এন পিনা লুচিংবা ফ্রন্টকী পার্টনর অমা ওইরিবা শ্রীলঙ্কা মুস্লিম কোংগ্রেস (এস এল এম সী)নসু কোলিসনগা পুনদবীদা তোঙান্না ৰারেপ অদুবু কোর্টতা শিংননবা খন্নরি হায়না সিনিয়র মেম্বর অমনা ফোঙদোকখি।

ওল সিলোন মক্কল কোংগ্রেস (এ সী এম সী) নসু নিংথৌকাবা নুমীৎতা সুপ্রীম কোর্টতা ৰাকৎনবা শেম শারি। মসি ঐখোয়না মীখল কিব্বগী নত্তে তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্টগী থৌওংশিং অদু কন্সষ্টিট্যুসনগী অমসুং দেমোক্রেটিক চৎন-কাণ্ডলোনগী মায়োক্তা ওইবগীনি হায়না এ সী এম সীগী লুচিংবা রিশদ বার্টিউদ্দিননা পাওমীশিংদা হায়খি। মখোয়দা নত্তনা মুখৎখিবা হাউসতা ওপোজিসনগী মেম্বরশিং ওইরিবা টামিল নেসনল এল্লাইয়েন্স (টি এন এ) অমসুং জনাথা ভিমুক্তি পেরামুনা (জে ভি পি) নসু নিংথৌকাবা নুমীৎতা সুপ্রীম কোর্টতা ৰাখৎনবা শেম শাখ্রে। পার্লিয়ামেন্ট মুখৎনবা অমসুং মীখল পাঙথোক্লবা প্রসিদেন্টনা থোকখিবা ওর্দর অদু ককথৎনবা টি এন এনা মরক্কী ওর্দর অমা থোকহন্নবা হোৎনগনি হায়না পার্টিগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসনগী লুচিংবা অমসুং টি এন এগী ভেটেরান আর সম্পনথননা হায়, এগজিক্যুটিভনা ইরাই নুমীৎতা থাংখিবা খোঙথাং অদু কনষ্টিট্যুসনগী চৎন-পথাপকী মায়োক্তনি। মদু এগজিক্যুটিভনা মমাঙদা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিং হায়বদি প্রাইম মিনিষ্টরবু মফম লৌথোকপা, অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা হাপ্পা অমসুং পার্লিয়ামেন্টপু মথৌ তৌহন্দবগী মতুং তারকপা খোঙথাংনি। খোঙথাংশিং অসি কনষ্টিট্যুসন্না যাদবা ঙাক্তনি হায়না সম্পননা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, প্রসিদেন্টনা পার্লিয়ামেন্ট মুখৎলিবসি অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হাউসতা মেজোরিটি উৎপা ঙম্লোইদবগী ফীভম লৈবদগীনি। প্রসিদেন্ট সিরিসেনাগী ৰারেপ্পু কোর্টতা শিংননবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা শেম শারিঙৈ চৈরকসিদা মীখল ঙন্না পাঙথোকপগী ৰাফম অদু নৌনা ৰাশক লৌখিবা প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দা রাজাপক্সা অমসুং মহাক্কী সপোর্টরশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

জে ভি পিগী নেসনল ওর্গনাইজর অমসুং পার্লিয়ামেন্টরিয়ন বিমাল রাথনায়াকেনা হায়খিবদা, পার্টি অসিনা মমাঙ চহীদগী মীখলদগীদমক্তা শেম-শারকখিবনি। ঐখোয়দা তঙাইফদ্রিবসি মীখল পাঙথোকপা খক নত্তে। মীখল নীংথিনা চুম্না পাঙথোকপা অদুনি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা মদু ওইথোক্লোই। প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা কনষ্টিট্যুসন খোঙ্গাওনবগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়, সিরিসেনা-রাজাপক্সা কেম্পনা মীখল পাঙথোকপা পাল্লিবসি মখোয়গী লোগী মায়োক্তা ওইবা খোঙথাংশিংবু অচুম্বা খোঙথাং ওইনা উহন্নবগীদমক্তনি। টি এন এনসু দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা মীখল পাঙথোকপদি শৌগৎলি তৌইগুম্বসুং কন্সষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইবা খোঙথাং-শিংগী মরক্তা পাঙথোকপা মীখলদি অচুম্বা মীখল ওইরোই হায়না লৌই।

কোঙ্গোদা ইবোলা শন্দোরকপদা শিখিবা মী মশিং ২০০ হেনখ্রে

কিন্সাসা, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদা ইনৌ নৌনা ইবোলা লায়না শন্দোরকপদা মীওই ২০০ হেনবগী পুন্সি লোমখ্রে হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

নেসনল হেল্থ ওথোরিটিগী মতুংইন্না শিখিবশিং অদুগী তংখায় অমরোমদি নোর্থ কিভু রিজনগী মীওই ৮০০,০০০ লৈবা বেনি সিটিদা থোকখি। টিকা থাবগী প্রোগ্রাম অমদা মীওই ২৫,০০০ টিকা থাখি। অদুম ওইনমক লালহৌবশিংনা মেদিকেল টিমশিংদা ওৎ-নৈবগী থৌওং লেপ্পুনা চত্থরি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর ওলি ইলুঙ্গানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা বেনিদা লালহৌবা গ্রুপ অমনা পুং কয়া চুপ্পা এটেক অমা চত্থখিবা মতুংদা টিকা থাবগী প্রোগ্রাম অদু লেপখি। লৈবাক অদু চহী কয়া লিশাং শিংনা সিভিল ৱার অমসুং পোলিটিকেল ঈরাংশিং থোক্কুনা লাকখিবনি।

হৌজিক কোঙ্গোদা থোক্লিবা ইবোলা লায়চৎ অদু হৌখিবা জুলাইদগী হৌখি। মদু কুমজা ১৯৭৬ দগী লৈবাক অদুদা ইবোলাগী লায়চৎ থোকপা ১০ শুবনি। লায়না অদুগী মহিক অদু হকচাংদগী থোকপা ঈ, লোক তীননচিংবা মহিগী খুথাংদা শন্দোকই অমসুং মহিক চঙলবদি মীওই অদু খুদোংথিনিংঙাই ওইগল্লি।

লৈবাক অদুগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা খ্বাইদগী নৌনা ফোঙদোকখিবদা, ইবোলাগী কেস ২৯১ কনফার্ম তৌরে অমসুং মখোয়গী মনুংদা মীওই ২০১ শিখিবগী রেকোর্দ লৈরে। ওইরক্লিবা ফীভম অদুদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা যু এন পিছ কিপ্পরশিংনা খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিংদা লায়না অদুবু থেংনরিবা মেদিকেল ৱার্করশিংদা অয়েৎ-অপন পীদনবা আপিল তৌখ্রে। হেল্থ মিনিষ্টরনা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখি মদুদি, মেদিকেল টিমশিংবু তোয়না কিহনখি, মখোয়দা খুৎ থাখি, মখোয়গী খুৎশু-খুৎলায় মাঙহন-তাকহনবীবগা লোয়ননা মখোয়বু ফাবীখি। রেপিদ রেস্পোন্স মেদিকেল যুনিটতা যাওবা ঐখোয়গী কোলিগশিংগী মরক্তগী অনী লালহৌবশিংনা এটেক তৌরকপদা মপুন্সি লোমখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হৌখিবা চয়োলদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী দিরেক্টর জেনরেল টেদ্রোস অধানোম যেব্রেয়েসসনা সিক্যুরিটি ৱাৎপগী ফীভমনা হৌজিক্কী লায়চৎ অদু থেংনবদা খ্বাইদগী চাউবা শিংনবা ওইরি হায়না ফোঙদোকখি।

কালিফোর্নিয়াগী লাম্মৈ চাকপদা শিখিবা মী মশিং ২৫ য়ৌখ্রে

সক্রামেন্টো, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): কালিফোর্নিয়াগী লাম্মৈ চাকপদা শিখিবা মী মশিং ২৫ য়ৌরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেট অদুগী অৱাংথংবা পেরাদাইজ টাউন অমদি মনাক্তা অহেনবা অশিবা হকচাং ১৪ থেংনরকখিবা মতুংদা মশিং অসি য়ৌখিবনি।

মালিবুগা নক্লনা ষ্টেট অদুগী খাথংবা শরুক্তা মীওই অনী অমসু লাম্মৈ চাকপদুদা শিখি। ষ্টেট অদুদা চাউরাক্না মীওই ২৫০,০০০ অচৌবা লাম্মৈ চাকপগী মফম অনীদগী নাম্থোক্লবা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। চৈরকসিদা, প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লাম্মৈ চাকপদু ফোরেষ্ট্রি মেনেজমেন্টদা অশোনবা লৈবদগীনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া খোয়রাং খোয়শাওহনখ্রে।

হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা বুট্টে কাউন্টিদা কেম্প ফায়রদগী শন্দোরকখিবা মৈজাও ফায়র ফাইটরশিংনা লাকশিনবা ঙমদবগী টাউন অদু (পেরাদাইজ টাউন) মাঙ-তাকখিবনি। ইরাই নুমীৎতা ষ্টেট অদুগী খাথংবা বিচ রিজোর্ট মালিবুদা শন্দোকপা হৌখিবা লাম্মৈ অদু থাংজ নুমীৎকী অথেংবা ফাওবদা শরুক অনী হেন্না চাউনা চাকখি। ৱুলমি হায়না খঙনবা মৈজাও অদুনা হৌজিক একর ৭০,০০০ (হেক্তর ২৮,০০০) গী এরিয়া থুংখ্রে হায়রি।

শাফদবা মফমশিংদা মী হোংদোক্লবা ওর্দর তৌখিবা টাউনশিংগী মনুংদা হৌখিবা যুমশকৈশা নুমীৎতা গনমেন অমনা মীওই ১২ হাৎখিবা থৌজন্দ ওক্স য়াওরি। খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভমশিং মখা তানা মথংগী চয়োল ফাওবা লৈখিগনি হায়না মেটিওরোলোজিষ্টশিংনা চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রবসু ফায়র ফাইটরশিংনদি নুংশিৎনা মৈরি হুমদোকখিবগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা থাংজদা বুট্টে কাউন্টিগী সেরিফ কোরি হোনিয়ানা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবদা, অহেনবা ভিক্টিম ১০ পেরাদাইজ টাউনদা লৈরম্বা থেংনখি। ভিক্টিম মরিনা মনাক নকপা কোনৱোৱা এরিয়াদা থেংনখি। থাংজ নুমীৎ ফাওবদা কেম্প ফায়র অদুনা লম একর ১০০,০০০ (হেক্তর ৪০,৫০০) মৈ থাদোকখি। শুপ্পগী চাদা ২০ দমক লাকশিনবা ঙমখি। লাম্মৈ চাকপদু মপুং ফানা লাকশিনবদা চয়োল অহুমলোম চঙলবা য়াই হায়না ফায়র চীফশিংনা পারি। মদু শগোলশেন নুমীৎতা ষ্টেট কেপিটেল সক্রামেন্টোগী অৱাংদা লৈবা প্লুমাস নেসনল ফোরেষ্টতগী হৌখি অমসুং লাকশিনবা ঙম্বগী ৱাংমদা চাক্লক্তুনা পেরাদাইজ টাউন পুম্বা চাকথেকখি।

পেরাদাইজ টাউনদা য়ুম অমসুং বিজিনেস সেন্টর ৬,৭০০ হেন্না মৈ চাকখিবগা লোয়ননা মফম অদুগী মীওইশিং মথ্বায় হিংনবগীদমক শাফগদবা মফমশিংদা চেন্নখ্রে। ষ্টেট অদুগী পুৱারীদা মদুনা খ্বাইদগী চাউবা মৈহৌ-লাংপোক ওইরি। লাম্মৈগী মৈরীশিং অদুক্কী মতিক থুনা শন্দোকখি মদুদি মীওই খরদি মখোয়গী কারশিং লংথোক্লক্লগা টাউন অদুদগী মখোঙনা চেনবা তাখি।

যু এসকী মরক্কী মীখল : ফ্লোরিদাগী ভোট মশিং অমুক হন্না থীরগনি

DeSANTIS
NUNEZ
GOVERNOR
RICK SCOTT
TRUMP
MAKE AMERICA GREAT AGAIN
Corrupt

চেলাহেসি, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): ফ্লোরিদাগী গভর্ণর অমসুং সিনেটর খন্নবা হৌখিবা লৈবাকপোকপদা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলদা কেনি দদেটশিংনা য়াম্না নকশিন্ননা লম্বা তৌনখিবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী ভোট মশিং অমুক হন্না থীনবা ওর্দর তৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

ফ্লোরিদাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট কেন দেটজনরনা হায়, মীখল অনীমক্কী ওফিসল ওইদবা রিজল্টশিং অদুগী হেঙেদাক-হেঞ্জিনগী মার্জিন চাদা ০.৫ গী মনুংদা লৈবনা লোগী মতুংইন্না অমুক হন্না ভোট মশিং থিবা চঙই।

নৌনা ভোট মশিং থিবগী ৱাফমগী মতাংদা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা দেমোক্রেটশিংবু হুরান লান্নাগী থৌওং চত্থনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিংখ্রে। সিনেটকীদমক মীরেপ ওইরিবা ষ্টেট অদুগী রিপব্লিকান গভর্ণর রিক স্কোটনসু মীখলদা নমথাক্কী থৌওং চত্থরকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রবসু মহাক্না । নৎত্রগা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মখোয়গী ক্লেমশিংদুবু শৌগৎপা ইভিদেন্স অমত্তা পুথোকখিদে। ভোটমশিং অমুক হন্না থিবা হায়বসি নুমীৎ কয়ানি চঙবা য়াই, তৌইগুম্বসুং লিগেল চেলেঞ্জ খরা লৈগদৌরিবা অদুনা মায় পাকপা মীওইশিং কনফার্ম তৌবদা চয়োল কয়া চঙবা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি।

ফ্লোরিদাগী সিনেট সিটকী কন্টেষ্টতা ওফিসল ওইদবা রিজল্টশিংনা হৌজিক্কী দেমোক্রেট বিল নেলসন অমসুং রিপব্লিকান লম্বা স্কোটকী মরক্তা ভোট চাদা ০.১৫ গী অহোবা লৈ হায়না উৎখি। দেমোক্রেট অন্দু গিলমনা মহাক গভর্ণরগী মীখল অদুদা মায়থিরে হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং তুংদা রিপব্লিকান কেন্দিদেট জেন দেসান্টিসনা মহাক্কী লম্বাদগী হেল্লিবা ভোট মশিং অদু চাদা ০.৪১ দা হন্থরকপা উখি। ভোট মশিং অমুক হন্না থিরগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা গিলমনা হায়, মহাক মীখলদা মায়থিরে হায়না মশানা লাউথোকখিবা ওইরবসু হৌজিক্তি ভোট খুদিংমক অমত্তা চিংথহন্দনা চুম্না থিফম থোকই হায়বগী ৱাখল লৈরে। অমরোমদা, দেসান্টিসনদি রিজল্টশিং অদু য়াম্না ময়েক শেংই, চিংননিংঙাই অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। মীখলগী প্রোসেসতা চেন্নবা খুদিংমক্না লো চপ চানা ঙাকপগী তঙাইফদবা লৈ। মরমদি মদুনা লৈবাক অদুগী যুম্ফমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ট্রম্পনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা, মীখলদা পুকচেল শেংদবগী থৌওং কয়া চত্থখ্রে হায়খি। চৈরকসিদা, কেন্দিদেট খরদি ওইরক্লিবা ফীভম অদুগী মতাংদা লোগী মতেং লৌবা হৌখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমীৎতা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌখিবা স্কোটনা ভোট মশিং অমুক হন্না থিবগী ৱারেপকা মরী লৈননা ওফিসলশিংগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা হোৎনরি অদুগা নেলসননসু মশিং থিহৌদবা বেলোটশিংগী মতাংদা কোর্টতা ৱাকৎলি। ইলেক্সন ওফিসকী মপান্দা প্রোটেষ্ট কয়াসু পাঙথোকখ্রে।

ব্রাজিলদা নোং কন্না চুবদগী চীং নীংখায়বদা মীওই ১০ শিরে

ব্রাসিলিয়া, নবেম্বর ১১ (এজেন্সী): ব্রাজিলগী চীং নীংখাইবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা অঙাং অমা য়াওনা মীওই ১০ শিহনখিবা মতুংদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা হিংহৌবা মীওইশিং থিবগী থবক চত্থরি। চীং নীংখাইবগী থৌদোক অদু নুমীৎ নীনি নোং কন্না চুরকখিবগা লোয়ননা থাংজ নুমীৎকী অঙনবদা রিও দে জনৈরোদা থোকখিবনি।

নুংজাউ অমা চীংমায়দা ওন্থরক্তুনা নিতেরোই সিটিগী য়ুম্লক অমদা তাশিনখি হায়না লোকেল ফায়র সার্ভিসনা ফোঙদোকখি। ফায়র ফাইটরশিং অমসুং লো ইনফোর্সমেন্ট কাঙবুশিংগী থবক্তা ভোলন্টিয়রশিংসু য়াওশিন্দুনা লৈখোম লৈনাং অমসুং অতেক-অকায়শিং লৌথোকমিন্নখি।

গ্লোবো ন্যুজ নেটৱার্কনা হায়, লৈখোম লৈনাং অমসুং লৈবাক মনুংদা ফুমজিল্লম্বা য়াবা মীওইশিংগী সমিন তাননবা হায়দুনা গ্রুপ অদুনা তুমীন্না থবক তৌরি। থীবা হুম্বগী থবক্তু থাংজগী অহিংদগী মথংগী নুমীৎকী অয়ুক ফাওবা চত্থনবা মৈঙালশিং ৱাংনা থানখি। লোকেল মীদিয়াগী পাউ মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা অঙাং অনী য়াওনা মীওই ১১ কল্লে। মীওই অয়াম্বা হূই শীজিন্নরগা থীবদা ফংখিবনি।

যুম কয়া চীং নীংখাইবদা অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়না লোকেল মীদিয়ানা ফোঙদোকখি। ব্রাজিলদা চীং নীংখাইবা অমসুং ঈশিং-ঈচাউ তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। খ্বাইদগী শাথিবা চীং নীংখাইবগী থৌদোক অদু কুমজা ২০১১ দা থোকখি। চহীদুদা রিও দে জনৈরোদা নোং কন্না চুবদগী চীংমাই অমা পুল্লপ নীংখাইদুনা লৈবাক অমদি লৈখোম লৈনাংনা ননশিনবদা মীওই ১০০০ শিখি।

বোৱা ইস্পেরেঙ্গাদা লৈবা রোজমেরিদা লিসভা কৌবা নুপী অমনা হায়, মহাক্কী চহী নিপান শুরবী মশুনুপী অমা লৈবাক অমদি অতেক অকায়শিংনা ফুমজিনখ্রে। মশুনুপাবুসু মহাক্না লৈবাক মরক্তগী শৎতোক্লগা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও লোইখিবগী নীংশিং কুমওন পাঙথোকখ্রে

পেরিস, নবেম্বর ১১ : মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও লোইশিনহনখিবা আর্মিসতিস নুমীৎকী ১০০ শুবা নীংশিং কুমওন থৌরম মালেমগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পেরিসতা পাঙথোকখ্রে।

লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ১১.০০ (জি এম টি ১০.০০) তাবদা অর্ক দে ত্রিওম্ফকী মখাদা পাঙথোকপা সার্ভিস অমদা শরুক য়াখিবা মালেমগী লুচিংবশিংগী মনুংদা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন য়াওখি। আর্মিসতিস দেগী ১০০ শুবা নীংশিং থৌরমশিং মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লরি। কুমজা ১৯১৪ দগী ১৯১৮ ফাওবা শোক্লখিবা মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওদা লান্মী মিলিয়ন ৯.৭ অমসুং মীচম মিলিয়ন ১০ শিখি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা কেপিটেল কানবেরাগী নেসনল ৱার মেমোরিএলদা নুমীৎসিগী নীংশিং থৌরম অমা পাঙথোকখি অমসুং এদিলেটতনা এয়রক্রাফ্ট অমনা চেনা শাবা অঙাঙবা পোপ্পিশিং চাইথখি। ন্যু জিলেন্দগী কেপিটেল ৱেলিংটনদা গন সেল্যুট অমা পীখি। ইন্দিয়াদসু লান অদুদা মথ্বায় থাখিবা লান্মী ৭৪,০০০ গী নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্লখি। য়ুরোপকী মপুং ওইবা থৌরম অদু পেরিসতা পাঙথোকখিবনি।

চৈরকসিদা, যু কেন্দসু কুমজা ১৯১৪-১৮ গী লান লোইখিবগী অখন্নবা নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে। অহানবা ওইনা মীখলদা মায় পাকখিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা সেন্ট্রেল লন্দনগী হ্বাইট হোলদা লৈবা নেসনল মেমোরিএলদা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। কানবেরাদা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না মমাঙদা থোকখিবা থৌদোকশিংদগী খঙজিনবা অমদি তমশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯕ/ওজা Kabiraj Abdul Hak পু
Piles ফহনবীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঙসিদগী চহী ৯ গী মমাংদগী Piles কী অনাবনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, মপুং ফাবা ঙমদবা, মরক মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, অমাঙওথোংগী মপানদা শৌজ থোকপা, মনুংদসু পোম্বা, Gastric, খ্বাঙ নাবা, চানিংবা পোক্তবা, হকচাং চোকথবনি। মণিপুরগী ওজা মাইবশিংগী হিদাক চাদুনা লাকচখি। পৈশাতা তিংখি অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈদা Wangoi State Bank Awang দা লায়েংবীরিবা ওজা Abdul Hak Contact Nos. 8794429681, 8014623756 কী হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী শুপ্পগী নুমিৎ ২১ নিদা Piles মপুং ফানা ফজখি অমদি চাবা থকপসু মপুং ফানা য়াজখি। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোংদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

থাগৎপা ফোঙদোকচরিবা : **P. TOMAL**
Uripok Khumanthem Leikai
HL-P/5569/12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Vide Mut. Case No. 529/SDC/Oinam of 2018

1. Maibam Biren Meitei S/o (L) M. Ibohal Singh of Oinam.
2. –Do– Surchand Meitei S/o (L) –do– of –do–.

...... *Applicants*

-Vrs-

1. Maibam Ibohal Singh S/o (L) Babu Singh of Oinam. (0.415 acres)
2. –Do– Mangoljao Meitei S/o M. Ibungo Meitei of Oinam. (0.105 acres)
3. –Do– (O) Gambhini Devi W/o Biren Meitei of Oinam. (0.15 acres)

...... *O.P. Pattadars*

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE

Oinam, 05/11/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহন্জরি। মদুদি খুল নং ৩০-ওইনাম পাট্টা নং ২২ (অরিবা) ৭০৬ (অনৌবা) দাগ নং ৫০৪, এরিয়া ০.৬৭ একর চাওবা ইস্থোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১শুবা ইবোহল সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মহাক্কী শরুক এরিয়া ০.৪১৫ একরগী লমসি দংকারি মচা অনীনা মপাগী মমীং কল্লুগা নমা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। (১ নংগী শরুক এরিয়া ০.১৭ একরগী লম ২ নং শরুক এরিয়া ০.২৪৫ একরগী লম ওইগনি)। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগ্রগনি।

Sd/- *Sub-Deputy Collector, Oinam*

HL-P/5665/12

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯕ/খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু শৌজ অদু অমুক নান্থবা, শৌজ নান্থবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি পাঙ্গল শোন্থরকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মতম শাংনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু শৌজ অদু অমুক নান্থবা, শৌজ নান্থবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি পাঙ্গল শোন্থরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাঙওথোং খুজিল্লগা অমাংবদু য়াম্না পীক্লা থোক্লকপা, অমাংবদু লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খুৎনা কোৎলগা খজিক খজিক লৌথোকপা, অমাঙওথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাঙওথোং ময়াদা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা অমদি শংলগা অদুম লৈনিংবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎলকপদা কপ্পাক মরি নাবা অমদি কোক ঙাওবা, খোঙ হাম্বদা কোঙ্গোলগুম্বা য়াওরকপা, শা-ঙা, থাও, মোরোক চাবা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙওথোংদগী ঈ কাপথোরকপা, খ্বাঙ নাবা, তাং তাং চিকপা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar near traffic point.

থাগৎচরিবা : **TH. RATAN**
Wahengbam Leikai
HL-P/2370/12

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ে য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ে য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থরায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শঙনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীতৌ চৎপা, ঈ-নুংশিং, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিম্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিল অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিং চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঙ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee
HL-B/4928/20/10-19/11

Apollo ꯑꯄꯣꯂꯣ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
Tutorial Centre
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
ADMISSION OPEN
Special Revision Course for:-
Class -XII Sc.(COHSEM & CBSE):English(COHSEM only)
+ Physics+Chemistry+ Maths + Biology
Class Starts : 22nd November, 2018
Class timing: 4:00 p.m. to 7:45 p.m.
Last date of form submission : 21st Nov. 2018
VAN Service Available
HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS
Enroll just today and be success HSE (COSHEM) - 2019 & SSE(CBSE) - 2019
For Details Please Contact :- APOLLO Tutorial Centre
(1) 6:00 a.m. to 9:00 a.m. (2) 2:00 p.m. to 7:00 p.m.
HL-P/5587/27/10-26/11(Alt.)

3rd SCHOLARSHIP & MOCK TEST OF X & XII
Organised by
HUMAN RESOURCE CENTRE & RESEARCH INSTITUTE
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road, Opposit Koirengei Auto Parking
SCHOLARSHIP + CASH PRIZE + MOMENTO + CERTIFICATE OF EXCELLENCE

SCHOLARSHIP	CASH PRIZE	SPECIAL CASH PRIZES
1st position : Rs.1000 x 12 Months	1st position : Rs.30,000	4th to 10th position Holders
2nd Position : Rs.700 x 12 Months	2nd Position : Rs 20,000	10th to 25th position Holders
3rd Position : Rs. 500 x 12 Months	3rd Position : Rs. 15,000	

Sponsored by Advanced Coaching Institute
Form Available : Global book store, Brigthway Agency, Sucheta book house, Leo Agency K.K. book store, Premier book store, Writer book store-Pologround Maning, Manipur stationery Mart-Paona Bazar, Lairik makon-konung mamang, Career corner-Khuyathong, Fame book house-Paona bazar, Siroy Papermark-Kwakeithel, Sana Mart (Maosilen), Siroy Paper Mart, Kangla book store, Chingtam book House, C.I.-Stationery, Sindam book store-Singjamei bazar, I.R. Educational book store-M.U. main gate, Global stationery, Universal book store, Pupil's book store-Lilong Bazar, Tour and saraswati book store-Thoubal wangmataba, Oja bijoy and Shilla book store-Thoubal bazar, M.S. Photo & Video-Athokpam bazar, Global book, K.B. Stationery-Wangjing bazar, Athoiba books-Heirok, Khongjom stationery (Tejkumar), Paperie, Lila, P.P. stationery kakching, Global Enterprises-Wabagai, Romila Book store-Mayang Imphal, New Book store-Wangoi, C.I.Book store-Nambol, Nandini Book store-Bishnupur, Bina book store-Ningthoukhong, Romee Book store-Moirang lamkhai, Ibeyaima book gallery-Moirang, Sharma book store and Global book store-Yairipok bazar.
For details : contact 7005755288. Form will be available freely from the office of HRC&RI or ACI Nagamapal.
HL-P/2321/25/10-22/12(Alt.)